# SUMMATIVE ASSESSMENT - II (QUESTION PAPER

**MANIPURI : (CODE NO. 011)**

(মনিপুরী)

**CLASS : X**

**Max. Marks = 80** **Time : 3 Hrs.**

**Total No. of Pages :**

**The Question paper is divided into four sections :-**

| | | |
|---|---|---|
| **SECTION - A :** | **Reading (Comprehension)** | **20 Marks** |
| **SECTION - B :** | **Writing** | **20 Marks** |
| **SECTION - C :** | **Grammar** | **20 Marks** |
| **SECTION - D :** | **Literature** | **20 Marks** |

## SECTION - A

### (Reading - 20 Marks)

1. মাখগী ৱারেং মতেক অসি পারগা পীরিবা হাংলিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরিবাসিংদগী চানবা অমা খল্লু ঃ 5

শা-উচেক য়াওদ্রবা এনভাইরোনমেণ্টকী শক্তমদি ঈশিং হাজিল্লবা তুরেল লৈরাই পাংখকনি, কিন্থরক্তিঙৈ, হূৱান মতুং মৈরিংদ্রিঙে, ঙাপ্রুম মমে খুজিন্না শিক্তিঙে এনবারোনমেণ্টকী শক্ম কনবা লম্লক্কী জীবাশিংবু ঙাকপী শেনবীবী হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্কী তঙায়ফদবা থৌদাং ওইরকলি। য়ুনাইটেট নেসন্স এডুকেসনেল সোসিয়েল এণ্ড কলচরেল ওরগেনাইজেসন, য়ুনাইটেট নেসন্স এনবাইরোনমেণ্টেল প্রোগাম, য়ুনাইটেট নেসন্স ডেভেলপমেণ্ট প্রোগাম, ৱার্ল্ড ফণ্ড অসিনবিংক পৃথিবীগী লূপাশিংনা নোংমা -নোংমগী মরেক মহাও য়াওশিল্লক্তবা এনভাইরোনমেণ্টকী শক্তম কন্নবগী খোল্লাউ পৃথিবী শীন্থুংনা লাউরি, শেন্থং কয়া পীথদুনা শোকচিল্লবা ফীভম থাগৎনবা হোৎনরি। অদুগা, লম লমগী ওইনা মহৌ শাগী পোৎথোক ঙাকপী শেনবীবগী অইনসুৱাৎতে। ভারতকী ৱাইল্ড লাইফ (প্রোটেক্সন) এক্ত ৱজ্ঝজ্জনা লম্লক্কী জীবশিংবু ঙাকপিরি।

(ক) শা- উচেখ য়াওদ্রবা এনভাইরোনমেণ্টকী শক্তমবু করি ওইনা লৌবা যাবগে? 1

(i) ইকোক কোকপা লমহাংগুম্বা লৌবা য়াই।

(ii) ঈশিং হাজল্লিবা তুরেল লৈরাই পাংখকনি ইয়না লৌবা য়াই।

(iii) প্রকৃতিগী ফজবা শক্তমগুম্মা লৌবা য়াই।

(iv) অশোংবা উমং অমগুম্মা লৌবা য়াই।

(খ) "হূরান মতুং মৈরিংব" হায়বগী অর্থদি - 1

(i) খুদোংথীবা থাংখ্রবা মতুংংদা চেকশিনবা,

(ii) হূবানখিবা পোৎ থিবা

(iii) ইখোল-শম্বল চেকলিন্না ঙাক - শেনবা,

(iv) মৈরা পরেং থানবা,

(গ) "ঙাপ্রুম মমৈ খুজিন্না শিকপা" হায়বসিনা খঙলল্লিবা চৎনবী অর্তদি - 1

(i) মীগী মতেং ফংবগী নুংঙাইবা হায়বনি।

(ii) অপাম্বা পোৎ ফংবগী নুংঙাইবা হায়বনি।

(iii) লায়না ফংগনি খল্লুবা পোৎ ফংহৌদবা হায়বনি।

(iv) কোয়না ঙমি-চাকথি চাৎপা হায়বনি।

(ঘ) এনভাইরোনমেণ্টকী শক্তম কন্নবগী খোল্লাও লাউরিক পৃথিবীগী লুপশিংগী মরুওইবা মশীংদুদি 1

(i) অহুমণি।

(ii) মঙানি।

(iii) মরীনি।

(iv) তরেৎনি।

(ঙ) ভারতকী ৱাইল্ড লাইফ এক্ত — না লমলক্কী জীৱশিংবু ঙাকপিরি। 1

(i) ১৯৬২

(ii) ১৯৭২

(iii) ১৯৮২

(iv) ১৯৪২

2. মাখগী ৱারেং মতেক অসি পারগা পীরিবা হাংলিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরিবাসিংদগী চানবা অমা খল্লু ঃ 5

মনিপুরগী শগোল শঙজে শাফবা ইপা ইপুনা শান্নরম্বা পৃথিবীদা পোলো হায়না খঙনবা মশান্ননি। সাসিনা ঐখোয়বু মশা ফহল্লি। শাফবা মীওইশিং ওইবনা ম-খোয়গী ৱাখলসু ৱাংই। লাই হরাউবা ঐখেয়গী স্বহিদগী মরু ওইবা লাইনিং লাইশোন শিংগী মরক্তা অমনি। অৱাংবা ৱাখল্লোন উৎপা তাইবঙবু শেমলকপগী শৈশেমলোনগী ৱারী, জগোই, ঈশৈ, পেনাগী শৈশক্না লীলা ওইনা উৎপা ইনাৎকী পোথোক্নি। লাইশিংবু য়াকাইহন্দুনা হৌদোক্তুনা হরওহনবনি। ঐখোয় পুন্নমকপু, কাঙলুপ অমসুং জাৎকী খেন্নবা থমদনা থৌদোক অসিদা শৰুক য়াদুনা হরাওবা য়াওই। মসিদা নওনা কলাগী পোথোক অমা ওইনসু মাইবীশিং অমসুং য়াওরিবশিংনা

শারিবা জগোই, পেনাগী শুরদা শক্লিবা ঈশৈ, তান্থা নাইনা শান্নরিবা লীলা পুমূমক অসিনা মসি ঐখোয়গী তাঙলবা ইনাৎকী শক্তম অমনি। মাসিনা ঐখোয় গী আশা, পান্দম। নুংঙাইবা ঐখোয়গী অকিবা, চিংনবা, ঐখোংগী পাঙ্গঁল, অশোনবা উৎলি।

(ক) মণিপুরগী শগোল কাঙজে করম্বা মখলগী ইপা-ইপুনা শান্নরম্বগে ? 1

(i) শান্নবা যাম্মা হৈবা ইপা-ইুননা শান্নরম্বনি,

(ii) শগোল তোংবা লাম্মীনা শান্নরম্বনি।

(iii) শাফবা ইপা ইপুশিংনা শান্নরম্বনি।

(iv) নহারোল খক্তনা শান্নরশ্বনি।

(খ) লাই হরাওবদা করম্বা মখলগী ৰাখল্লোন উৎপগে? 1

(i) হরাও-নুঙাইবগী ৰারী উৎলি।

(ii) অর্কি-অখঙগী ৰারী উৎলি।

(iii) তাইবঙবু শেযমকপগী লৈশেমলোনগী ৰারী উৎলি।

(iv) ইতিহাসকী ৰারী উৎলি।

(গ) লাই হরাওবা করম্বা মখলগী লীলা ওইনা লৌবা যাবগে? 1

(i) ফাগী -জুগানা মপুং ওইবা লীলানি।

(ii) নুংঙাইরবা শুমাং লীলা মখল অমনি।

(iii) জগোই ঈশৈ অমদি পেনাগী শৈশক্লা উৎপা লীলানি।

(iv) মাইবীখক্তনা শান্নবা লীলা অমনি।

(ঘ) লাই হরাওবদা কনা কমানা শরুক যাদুনা হরাওনবগে? 1

(i) শাগৈ অমখক্লা শরুক য়াই।

(ii) জাতি তামখশ্ন শৰুক য়াই।

(iii) কাহলুপ অমসুং জাৎকী খোন্নবা মমদনা শরুক য়াই।

(iv) মাইবা মাইবী খক্তমা শৰুক য়াই।

(ঙ) পোনা হায়বসি করম্বা মখলগী খূৎলায়নো ? 1

(i) শাদানবগী খূৎলায় মখল অমনি।

(ii) অঙম - অথৌশিংনা শীজিন্নবা খূৎলায়নি।

(iii) ঈশৈ-নোংমাই শকপমা শীজিন্নবা খূৎলায়নি।

(iv) নূংনা শাবা খূৎলয়নি।

3. মখাগী ৱারেং মতেক অসি পারগা হংলিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরিকশিংদগী চানবা অমা খল্লু। 5

খুন্নাইসিদা অলহ-লম্মনসিংগী মফম চাউনা থম্মি। থবক থৌরম খুদিংদা মখোয়বু মাঙদা থম্মগা লোন্নজদুনা নুংঙাইবা উন্মা লমদমাসগী মীওইশিংনি। "অহলগী অমাংবনা চফু মোল্লি" হায়বা পাউরৌ অসিগী মখাদা চাউরকখিবা ঐখোয়গী খুমাইনি। হীৰম খুদিংদা অহল-লম্মনগী মৰা লৌৰা হায়বাসি খুন্নইসিগী চৎনবী ইনা লাকখিবনি। মাসিগী নংগী ওইবা ঈবেলদি - চহীনা লূম্মবা অহল ওইবশিংগী মশাদা ফাগোম্নারিবা মখোয়গী পুন্সিদা তুংশিন্দুনা থম্বা ৱাখল-লৌশিংগী পুক্কৈ অদুবুনি খুলনহিসিনা থোইদোক্না ইবা ইখুন্নরিবা। অসিগুম্বা ঐখোয়গী অশেংবা লন ওইদুনা  লৈরবা চৎনবোলাশিং অসিদি মপাল লমগী আথিন্ন মশক হোংহনখিদনবা হোৎনবা হায়বাসি ঐখোয় পুন্নমক্কী ইথৌনি।

(ক) খুন্নাইসিদা অহল-লম্মনগী মফম করম্মা থম্বীবগে? ঃ- 1

(i) ইম্ব-বন্না থম্বী।

(ii) হন্থবা থাক্তা থম্বী।

(iii) য়াম্না ৱাংবা থাক্তা থম্বী।

(iv) থৌশদবা মতৌ-মত্তংদা থম্বী।

(খ) লমদমসিগী মীওইশিংনা করম্বা মতাঙদা নুংঙাইজবা উম্বগে? 1

(i) হারও কুম্মৈদা নুংঙহিজবা ঙম্মী,

(ii) শান্ন- খোৎনবদা নুংঙহিজবা ঙম্মী,

(iii) থবক-থৌরমশিৰদা অহল-লম্মনাশিৰবু মাঙদা থম্মগী নুংঙায়জবা ঙম্মী।

(iv) ময়াই কাবা নোশাদা লুপতুনা লুংঙাইজবা ঙম্মী।

(গ) 'অহলগী অমাং যনা চপু মেল্লি' হায়বা পাউরৌগী অর্থদি - 1

(i) অহল-লম্মনগী মৰাবু থৌশাদবা হায়বনি,

(ii) অহল-লম্মনগী মৰাদি অচুম্বা ঙাক্তনি হায়রনি

(iii) অেহলশিংবু ফাজদবা হায়বনি,

(iv) অহলশিংবু ফজদবা হায়বনি,

(ঘ) খুন্নহিমিনা থোইদোক্না ইকাইখুন্নরিবমি করিলে ? 1

(i) মশা-মউ ফবা অহলশিংবুনি,

(ii) ইনাক-কৈরাক খুনবশিংবুনি,

(iii) অহল-লম্মনশিংগী অৱাংবা ৱাখল-লৌশিংবুনি,

(iv) শান্নরোইশিংবুনি,

(ঙ) 'মপাশ লমগী ঈথিল' হায়বসিনা খঙহল্লিবদি - 1

(i) মপাল লমগী ফজবা ফুরা-দলানশিং।

(ii) মপাল লমগী মহৈ-মশীং।

(iii) মপাল লমগী অওনবা বৎনরোল।

(iv) মপান্দগী লাকপা মী।

4. মখাগী শৈরেং মতেক অসি পারগা হংলিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরিবশিংগদী চানবা অমা খল্লু।

থোরকও ! থোরকও !
3: চেঙ তাঙবা কাউবু ফি তাঙবা কাঙকু
চিনি লোৎপা থুম লোৎপা অলু লোৎপা
লোইনা থোরকউ নখোয়সু ঙাসিদি
ফজবা ফিরোল শেৎলগা
চীং কাসি ঙাসিদি।
অৱাংবা চীংদোন্দা
লাইরৈবাক্কা শম্মফদা
শান্নাসি ঙাসিদি লাইগী মগশিংগুন্না

(ক) কনা-কনাবুনো কবিনা থোরকউ কৌরিবসি - 1

(i) লৈবাক্কী অঙম-অথৌশিং।

(ii) ইনখৎলোকপা নাহরোলশিং।

(iii) চাকতাঙ ফিদাঙহল্লিবা কারবাৱালাশিং

(iv) লেংমসী খুৎশুমল তাল্লিবশিং

(খ) করম্বা চীংদনো কবিনা কাসি হৌরিবসি -- 1

(i) বারুণী চীং

(ii) কৌব্রু চীং

(iii) চৈরাও চীং

(iv) চীংঙা চীং

(গ) চীংগী চীংদোনবু করম্বা মফমগুন্না লৌবগে? 1

(i) অশোঙবা উমংগুম্বা লৌই,

(ii) খবয়দগী ৱাংবা মতোমগুন্না লৌই

(iii) লাইরৈবাক্কা শম্মফন্নি হায়না লৌই

(iv) শায়বা মরুভুমিগুন্না লৌই

(ঘ) কবিনা চীংকারোইশিংবু করম্বা মীওই ওইনা লৌনীংবগে? 1

(i) থৌনা ফবা মীগুম্না।

(ii) লাইগী মচাগুম্না।

(iii) মরৈবাক নীংবা মীগুম্না।

(iv) শীংজনবা মীগুম্না।

(ঙ) কবিনা অতোপপা মীশিংদা চীং কাসি হৌরিবা করিগীনো? 1

(i) খৎন চৈনবগী ৰাখল থাদোকখিনবগী।

(ii) মশা-মউ ফবা মী ওইহন্নিংবদগী

(iii) অমত্তা ওইনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা পামবদগী।

(iv) চীংদোনগী ফজবা য়েংনীংবদগী।

## SECTION - B

## (Writing - 20 Marks)

5. ৰাহৈ ১৫০-১৬০ গী মনুংদা এসে ইয়ু। 8

(ক) ঈশিং ঈচাও (Flood)

(i) ৰাহৌদোক

(ii) ওইরকপগী মরম

(iii) মসিদগী কন্নবা উপায়

(iv) মসিগী ফল

(নত্রগা)

(খ) থকশি -খাসি (Discipline)

(i) ৰাহৌদোক

(ii) চাত্রগা লৈনবা মরী

(iii) সমাজদা সসিগ্য মবাম

(iv) মসিগ্য ফল

6. নাহক কৈশামপাওগী রাজেসনি খল্লু। দিল্লি পাব্লিক স্কুলদা ক্লাস টেন তমলিবা নঙগী মরূপ মাইকেলদা মনিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক-ৰাথোকশিংগী মরমদা চিঠি অমা ইদুনা খঙহল্লু। 6

7. নহাক মাহুতাল বজারদগী চাউবর্নি খল্লগা 'রিক্সা তোংদুনা লাকপদা লম্বীদগী নুপীগা হেন্দ-বেগ অমখক খুল্লক্লে হায়না খল্লু। মদু মপুনা মতীক চাবা প্রমান পীরগা লৌবীরবা য়াগনি হায়বা ৰারোল অমা ৰাহৈ ৬০-৭০ গী মনুংদা 'কংলাগী পাউজেল' এডিটরদা খবরদা হাপ্পাবা ইয়ু। 4

8. 'মনানা হৈমাং শাবা' পাউরৌ অসিগী অর্থ হল্লু। 2

## SECTION - C

### (Grammar - 20 Marks)

9. ব্রেকেট মনুংদা পীরিবশিংদগী অচুম্বা খল্লগা অহাঙবা মেনুশিল্লু। 5

(ক) মনিপুরী ভাৰল তরুল তরুক হায়দোকপদা লৈগী অনেম-অৰাং অসি মখল ---------- লৈ । (অনী, মঙা, অহুম) 1

(খ) 'ই' ভাৰল অসি ---------- গী ভাৰলনি। (লৈনীং, লৈয়ায়, লৈমাং) 1

(গ) ভাৰল খোন্থোক হায়দোরকপদা ---------- যোরাকপা নুংশিৎপু অপনবা পদে। (য়ানুংদগী, নতোন্দগী, থবোম্বীদগী) 1

(ঘ) 'ঙ' হায়বা ভাৰল অসি ---------- চীনবান কোয়বা ভাৰলনি। (লৈসাঙগী, লৈয়ায়গী, লৈনীংগী) 1

(ঙ) 'মচা' হায়বা ৱাহৈমিগী মরক্তা য়াওরিবা ভাৰল অসি ---------- নি। (আ, অ, এ) 1

10. ব্রেকেট মনুংদা পীরিবশিংদগী অচুম্বা খল্লগা অহাঙবা মেনুশিল্লু। 5

(ক) কোন্সনেন্ট খোন্থোক অমা হায়দোকপদা ভাৰল খোন্থোক ---------- চাংই। (অনী, অমা, অহুম) 1

(খ) মণিপুরী কোন্সনেন্ট কোনিম মশাং ---------- লৈ। (তরানিপান, কুন্থ্রামঙ, কুনমরী) 1

(গ) ম, ন, ঙ অহুম অসি ---------- নুংশিৎ থাবা ফোনিমশিংনি। (য়ানুং লম্বীদা, নতোন লম্বীদা, চীনবান অনীদা) 1

(ঘ) ---------- ভাৰল অজ্বায় হায়না খঙনৈ। (প,ব; ল,র; য়,ৰ) 1

(ঙ) ---------- খোন্থোক অসি হায়দোকথদা খৌ নীকই। (স,খ,ভ) 1

11. হংলিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরিবাশিংদা চানবা অমা খল্লু। 5

(ক) 'চৎলম্মী' হায়বা ৱাহে অমি মোর্ফিম মশীং - 1

(i) মঙানি

(ii) অহুমনি

(iii) অনীনি

(iv) তরেৎনি

(খ) 'চৎতে, চাদে' ৱাহে অনীসিদা 'তে, দে' অনী তাসি পুন্না মোর্ফিম অমগী ---------- কৌগনি। 1

(i) ফোনিম

(ii) মোর্ফ

(iii) এলোমোর্ফ

(iv) খোন্থোক

(গ) 'চগনি' ৱাহে অসিদা 'চা' হায়বসি - 1

(i) সাফিক্স নি

(ii) ফ্রি রুটনি

(iii) বাউণ্ড রুটনি

(iv) মোর্ফিনি

(ঘ) রুৎকী মনীংদা তপপা ৱাতপপু ------------ কৌই। 1

(i) মের্ফিম

(ii) বাউণ্ড রুৎ

(iii) সাফিক্স

(iv) এফিক্স

(ঙ) 'চাখ্রে' হায়বা ৱাহেসি ---------- পুনশিল্লগা শোম্বা ৱাহৈনি। 1

(i) বাউণ্ড রুৎ অনীনা

(ii) রুৎ অমগা সফিক্স

(iii) রুৎ অমগা প্রিফিক্স অমগনা

(iv) ফ্রি রুৎ অনীনা

12. পরিক পাউঘুমশিংদগী চানবা অমা খল্লু। 5

(ক) ৱাহে পরেং অমা হায়বসি ------------- য়াওগনি। 1

(i) সবজেক্ট অনী,

(ii) ভার্ব অনী

(iii) সবজেক্ট ভার্ব

(iv) ভার্ব অনী সবজেক্ট অনী

(খ) অচম্বা ৱাহে পরেং হয়াবসি --------------- ৱাহৈপরেংবুনি। 1

(i) সবজেক্ট অমা ভার্ব অমা য়াওবা ।

(ii) সবজেক্ট অনী ভার্ব অমা য়াওবা।

(iii) সবজেক্ট অমা ভার্ব অনী য়াওবা।

(iv) ভার্ব অমওা য়াওদবা

(গ) য়ান্নাবা ৱাহে পরেং অমা হায়রগা -------ৱাহৈপরেংবু খঙনৈ। 1

(i) মনীং তম্বা ক্লোজ অমগা মখা পোনবা ক্লেজ অমা নত্রগা অমদগী হেনবনা পুনিশিনবা

(ii) মনীং তম্বা ক্লোজ অনী পুনশিনবা।

(iii) মখা পোনবা ক্লোজ অনী পুনশিনবা,

(iv) মনীং তম্বা ক্লোজ য়াওদবা।

(ঘ) 'মহাক চৎখ্রে' হায়বা ৱাহে পরেং অসি --- 1

(i) য়ান্নাবা ৱাহে পরেং কৌই।

(ii) তিন্নাবা ৱাহে পরেং কৌই।

(iii) আম্বা ৱাহে পরেং কৌই।

(iv) মপূং ফাদবা ৱাহেপরেং কৌই।

(ঙ) তিন্নবা ৱাহে পরেং অমদা ---- 1

(i) অবন্বা ৱাহে পরেং অনীখক য়াওগনি।

(ii) য়ান্নবা ৱাহে পরেং অনী য়াওগনি।

(iii) অবন্বা ৱাহে পরেংশিং আমদি য়ান্নবা ৱাহে পরেংশিং য়াও বা য়াই।

(iv) য়ান্নাবা ৱাহে পরেংশিং য়াও বা য়াদে।

## SECTION - D

### (Literature - 20 Marks)

13. মখাগী শৈরেং মতেক অসি পারগা হংলিবা ৱাহংগী পাউঘুম পীরিবাশিংদগী চানবা অসা খল্লু। 3

মীওইবা - লৈত্রে মিংসে তাইবঙসিদা
শিঘ্রে মথৱায় মখোয়গী।
উরিবসি কনানো অদুদি !
শাদগীসু হেন্না শাথীবা জীৱনি
হন্দক্তা নৌনা থুংলবা।
মখোয়গী মমিং যোল্লক্তে !

(ক) কবিনা শিখ্রে হায়বিযা থৱায়সি কনাগী থৱায়নো ? 1

(i) কনাগুম্বা মরূপ অমগীনি,

(ii) হৌজিক মতমগী পত্রবা মীওইবগীনি,

(iii) কবি মশামকুীনি।

(iv) লমলক্কী শা-উঠেকশিংগীনি।

(খ) হৌজিক মতমগী মীওইশিংবু কবিনা করম হায়না উবগে ? 1

(i) পুকচেল ফজবা মীওইগুন্না।

(ii) মীনুংশি খঙবা মীওইগুন্না।

(iii) শাদগী হেন্না শাথীবা জীৱ অমা ওইনা।

(iv) মরোন থোক্তবা জীৱগুন্না।

(গ) শৈরেং মতেক অসিদা কবিনা ফোঙদোকপা পামলিবাসি খরিনো? 1

(i) মতমসিগী মীওইবগা লমবৎ-শাজৎপু য়ানীংদবা উৎপনি।

(ii) মীওইববু মাগৎচবনি।

(iii) ফজব প্রকৃতিগী মগুন শৈথবনি।

(iv) কবিগী পুন্সিবু তেংয়াবনি।

14. মখাগী শৈরেং মতেক অসি পারগা হংলিবা ৱাহংগী পাউঘুম পীরিবাশিংদগী চানবা অসা খল্লু। 3

মশা মশাগী ওইজবা তানবদা

কাঙলুপ খায়বগী লোনফমদা

নুপী অঙাং মরাল লৈতবশিংবু

বলি কল্লগা অকনবা শকপা

উকচাউ থেক্লা দেশ ভক্ত শারিবা

করম্না হাংদোক্লসিসেনে ইমা

নঙগী ঙসিগী-ইতিহাস লামাইসে!

(ক) নুপী অঙাং মরাল লৈতবশিংবু কনানা অৱফমদা অহল্লিবনো? 1

(i) মশা -মশাগী ওইজবা থিবা লৈককনীংবা শাবশিংনন।

(ii) শেঞ্জাও পায়বা ময়ল মথুম লৈবশিংননি,

(iii) লৈঙাকপা মপুশিংননি,

(iv) হূরান-চিন্থি তৌবা মীশিংননি।

(খ) 'ঙকচাউ থেকপা' হায়বগী অমদি - 1

(i) নোল্লুক্লা চৎপা।

(ii) মীগা মখা থাদুনা হিংবা।

(iii) ঐ মঙায়রে হায়না নাপন কাবা।

(iv) থকশি-খাসি খঙনা চৎপা।

(গ) 'দেশ-ভক্ত' হায়রগা -- 1

(i) লৈবাক নীংবা মীবু খঙনৈ।

(ii) লানহৌ বা মীবু খঙনৈ।

(iii) শক্তি পাইবা অকন অথৌশিংবু খঙনৈ।

(iv) লাইনীংবশিংবু খঙনৈ।

15. মরীখক্কী ৱাহৈ পরেং ৩/৪ গী মনুংদা পাউখুম পীয়ু। 4 x 2 = 8

(ক) লোঙ্গৌর বাবাগী ঈরেনবু মী অয়াম্বনা চঙবা হঙ্গোইনয়ল্লিবা করিগীনো?

(খ) চাউবগী ইমুংদা ফংহৌবা ইশিশাগী মহাও অদু তাকউ।

(গ) পঞ্চভূত হায়বসিগী অর্থ ইয়ু।

(ঘ) কর্ন্নদা মৃত্যু শর মঙা লৈ হায়বা খঙলকপদা কুন্তীনা করি খনখি?

(ঙ) কৰিগানো করিনা রৈবাওবা নুমিওা অহাওবদা চাসি, ফজবতা শেৎশি হায়রিবসি?

16. অমখক্কী মরী মখোহ তাক্তুনা শন্দোক্না ইয়ু। 6

(ক) সুৎলগে তৌরম্বা মৈ অদু অমুক খংচাক হেক চাকখৎলকই, "উম ঙমজদ্রে ইতোমতা লাক্লবা। শিগে হয়ারগা শিজখরো মী ত্তৎতুনা লৈ গদবগী শরুকপদি।"

(নত্রগা)

(খ) ইনেমতোন! লান অসি তৌবদা মতরবদি কনানাদি জয় ওইহন্নিংঙি, ঙসি মীনমদনা ধর্ম্ম য়েংদুনা হায়বীয়ু।